# HUEIYEN LANPAO
# হুইয়েন লানপাউ
The messenger of the masses
The Largest Circulated Newspaper in Manipur
Member : Audit Bureau of Circulations (ABC), Media Research Users Council India (MRUCI) & Indian Newspaper Society (INS)

Vol. 49, Issue No. 247 | শগোলশেন, পোইনুগী ২২নি পানবা | অপুনবা লামায় মশীং ১২ | HUEIYEN LANPAO | Thursday, December 11, 2025, Imphal | www.hueiyenlanpao.com | RNI No. 40746/1978 | ₹ 5.50


## ঙসি নুংথিল পুং ১ তারকপদা প্রসিদেন্ট মুরমু ইম্ফালদা থুংলরগনি নুংথিলদা মপাল কাংজৈবুংদা নুপা ১সুং নুপীগী পোলো মেটচ ২ য়েংগনি

**নুপাগী টিম অনীনা 'পানা' মশান্নদা শান্নগনি অদুগা নুপীগী টিম অনীনা 'মোদর্ন পোলো' মশান্নদা শান্নগদৌরি**

**নুমিদাংৱাইরমদা সিটি কনভেন্সন সেন্টরদা প্রসিদেন্টবু তরাম্না ওক্লবা মতুংদা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্টশিংগী উরেপ তমগনি অমসুং শঙ্গারগা কলচরেল প্রোগ্রাম য়েংগনি**

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১০ (ঐচএনএস) :** নুমিৎ খরনিগী মমাঙদা মাঙজৌননা লেপখিবগী মতুংইন্না প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমু হয়েং নুংথিল পুং ১ তারকপদা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলরগনি হায়রি।



ঙসি প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমুনা মীৎয়েং তাগদবা নুপী অমসুং নুপাগী পোলোগী মেটচ অনী শান্নগদবা মপাল কাংজৈবুংগী অকোয়বদা শেম শাখিবা

প্রসিদেন্টনা এয়রপোর্টতা হেক থুংলবগা মহাক্কী অহানবা খোঙচৎতা নিত্যাইপাৎ চুথেক্তা লৈরিবা লোক ভবনদা চঙগনি অদুগা নুংথিল পুং ৩ তারকপদগী মপাল ...মখা লমায় ৩ কলম ২

**কুকি খুলদগী নোংসুম মীতৈ খুলগী খুঞ্জাশিং কিহন্নবা নোংমৈ কাপ্লক্লিবা করিগীনো**

## লিতানদা ঈং-তপ্পগী পাউজেল পীরুবা য়ানীংদে হায়রক্লিব্রা পোপী পান্বীশিং থারে হায়দুনা রিপোর্ট তৌরুবগী ওইগদ্রা

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১০ (ঐচএনএস) :**

মে ৩, ২০২৩দগী হৌরকখিবা তমথীরবা লান অসিগী মনুংদা খ্বাইদগী অকনবা লানফমশিং ওইখিবা মফমশিংগী মনুংদা অমা ওইরিবা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টকী শগোলমাং পুলিস ষ্টেশনন কোনবা মীতৈগী খুল নোংসুমগা থংননা লৈরিবা খামেনলোক হায়রগসু খঙনবা আইগিজাং চীংথক্তগী নোংমৈ মরূ কয়া লেপ্তুনা কাপথোরকখ্রে। থৌদোক অসি ঙরাং নুমিদাং পুং ৯.১৫ রোম তারকপদগী হৌরদুনা ঙাইহাক-ঙাইহাক কান্নরগা কুকি টেররিষ্টশিংনা নোংমৈ মরূ ৬০/৭০ রোম ঙসি অয়ূক ফাওবগী মনুংদা কাপথোরকখিবনি হায়রি।

মণিপুরদা ফেব্রুৱারী ১৩, ২০২৫দগী প্রসিদেন্টস রুলগী লৈঙাক লৈরকপদগী লানগী থৌদোকশিং থোকখিদবগা লোয়ননা নোংমৈ অমসুং বোমগী মখোল তারক্ত্রবা মতুংদা খঙহৌদনা নোংসুম খুলগী মীতৈ খুঞ্জাশিংবু কিহন-খংহনবগী মওংদা নোংমৈ মরূ কয়া কাপথোরকখিবা থৌদোক অসি নোংসুম খুলগী খুঞ্জাশিংনা অকনবা মওংদা য়ানীংদবা ফোঙদোক্লরকখ্রে।



কুকিশিংনা লৈরক্লিবা আইগিজাং খুলগী চীংগী চীংথক্তা পোপি ...মখা লমায় ৩ কলম ৫

**দিসেম্বর ১২ : ২শুবা নুপীলানগী নীংশিং থৌরম মপুং ফানা পাঙথোকপীয়ু : কোরকোম**

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১০:** লোনা থিংখ্রবা লালহৌলূপশিংগী অপূনলূপ কোওর্দিনেশন কম্মিটি (কোরকোম) গী মীদিয়া কোওর্দিনেটর এম শকহেননা থোরকপা পব্লিসিটি কম্মিটিগী চেরোল অমনা দিসেম্বর ১২-অনীশুবা নুপীলানগী নিংশিং থৌরম মপৃং ফানা পাঙথোকপীয়ু হায়রক্লি।

চেরোল অসিনা হায়, দিসেম্বর ১১, ২০২৫দা ইন্দিয়াগী প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমুনা মণিপুরদা লাক্কদবা নুমিৎ অসিগী অয়ূক পুং ১দগী হৌরগা মহাক্না ইরমদম অসিদা লৈরিবা মতম ফাওবা কোরকোমনা মহাক্কী ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

**স্কুল, কোলেজ অমসুং য়ুনিভর্সিটিগী এগজামিনেশনশিং য়ৈথোক্লখ্রে**

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১০(ঐচএনএস) :**

নুমিৎ নীনিগী খোঙচৎতা হয়েং নুমিৎয়ুংবা মতুং পুং ১ তারকপদা প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমুনা ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলগদবা ওইরবসু মসিগী মাঙওইননা লোনা থিংখ্রবা লালহৌলূপশিংনা ঙসি অহিং নোংয়াই মতুং পুং ১দগী হৌরদুনা মণিপুর পূম্বদা টোটেল শটদাউন অমসুং বোইকোট তৌবগী অথিংবশিং থম্লকখিবনা মরম ওইরদুনা হয়েং পাঙথোক্কনি লেপ্লম্বা স্কুল, কোলেজ অমসুং য়ুনিভর্সিটিশিংগী এগজামিনেশনশিং য়ৈথোক্লখ্রে।

মহৈশঙশিং অসিগী ওইনা হয়েং পাঙথোক্কদবা ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

## 'মীতৈশিংনা হায়ৱেদা চৎথোক চৎশিন য়াদ্রিবসিগী মতাংদা কম্মিশনদা ৱাকৎলক্ত্রি'



**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১০ (ঐচএনএস) :**

মণিপুরদা থোক্লিবা ঈরাংসিদা মীওইবগী হক খোঙ্গৈইনবগী থৌদোক কয়া থোকপগী মনুংদা হৌজিক মীতৈ ফুরুপকী মীওইশিংনা নেশনল হায়ৱেদা চৎথোক-চৎশিন য়াদ্রিবসিগী মতাংদা কনাগুম্বা অমত্তনা মণিপুর হ্যুমেন রাইটস কম্মিশনদা মখোয়গী হক খোঙ্গাওনরে হায়না ৱাকৎলকপা অমত্তা লৈত্রি হায়না কম্মিশন অসিগী এক্টিং চ্যেরপর্সন কে খগেন্দ্রনা ফোঙদোকখ্রে।

ৱাফম অসি ঙসি মালেমগী মফম খুদিংমক্তা পাঙথোকপগুম কম্মিশন অসিনা শীন্দুনা হোটেল ক্লাসিক গ্রান্দেদা পাঙথোকপা ইন টরনেশনল হ্যুমেন রাইটস দেগী ৭৭লক শুবা থৌরমদা ফোঙদোকখিবনি।

থৌরমগী মনুং চন্না পাউমীশিংনা হংবা ৱাহংগী পাউখুমদা মহাক্না হায়, হৌজিক থোক্লিবা ঈরাংসিদা লাইবক থীবদি ঙসি ফাওবা মীতৈ ফুরুপকী মীওইশিংনা নেশনল হায়ৱেশিংদা চৎথোক-চৎশিন য়াদ্রে হায়বসি মণিপুর পূম্বগী ওইনা লৈরিবা কম্মিশনদা ৱাকৎলকপা লৈত্রি। কম্মিশনদা ৱাকৎলক্তবা অসিনা অমরোমদা থমখ্রবসু নেশনল হ্যুমেন রাইটস কম্মিশন নৎত্রগা সুপ্রিম কোর্টতসু ৱাকৎপা লৈত্রি। মসিগী মতাংদা মীয়াম্না কূপ্না খন্থবা মথৌ তাই হায়খি। ...মখা লমায় ৩ কলম ১

**দিসেম্বর লোইগদবা নুমিৎ ২০নিদা ঙাইশিল্লক্লে**

## য়ূমদা হঞ্জিলহনবীরো : আই দি পিশিং



**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১০ (ঐচএনএস) :** রিলিফ কেম্পশিংদা চঙজফম লৌহল্লক্লিবা আই দি পিশিংবু চৎলিবা দিসেম্বর থা অসিগী মনুংদা লৈঙাক্না মশাগী ময়ূম-ময়ূমদা হোংজিলহল্লগনি হায়খিবগী মতুংইন্না থা অসিগী মনুংদা হোংজিলহল্লু হায়বগী দিমান্দ তৌরদুনা কোকোমিগী মীৎয়েং মখাদা আই দি পিশিংনা থা অসিগী ১দগী হৌরকখিবা ৱাকৎ খোঙজংগী ঙসি ১০নি চনবা নুমিৎতসু পাঙথোক্তুনা আই দি পিশিংবু থা অসিগী মনুংদা ময়ূমদা হঞ্জিলহন্নবা মখা তানা ...মখা লমায় ৩ কলম ২

## পি এম জি এস ৱাই ফেজ থ্রীগী প্রোজেক্টশিং থবক্তা ওন্থোকহনবীয়ু হায়না এম এল এ, কে রঞ্জিৎনা গভর্ণরদা তকশিনখ্রে

**ইম্ফাল, দিসেম্বর ১০ (ঐচএনএস) :**



মণিপুরদা পি এম জি এস ৱাই ফেজ থ্রী প্রোজেক্টকী থবকশিং চহী অনী হেনবগী মমাঙদা এপ্রুভ তৌরকখ্রবসু ফেজ অসিগী থবকশিংদি মমিংতা ওইনা লৈরি হায়রদুনা গভর্ণরনা স্কিম অসিগী ফেজ থ্রীগী মনুং চনবা প্রোজেক্টশিংগী মতাংদা অকনবা মীৎয়েং চঙবীয়ু হায়না কোংগ্রেস লেজিসলেচর পার্টিগী দেপ্যুটি লিদরসু ওইরিবা কোংগ্রেসকী সিনিয়র এম এল এ, কে রঞ্জিৎনা গভর্ণরদা অইবা চেরোল অমা পীশিনখ্রে হায়রি।

ঙসি পীশিনখিবা চেরোল অদুদা ফোঙদোকখিবা ৱাফমশিংগী মনুংদা মণিপুরদা পি এম জি এস ৱাইগী মখাদা পাঙথোক্কদবা থবকশিং সেঙ্কশন তৌরকখ্রবসু মতম শাংনা পন্দুনা লৈবা য়াওরে। ফীভম অসিনা ষ্টেট অসিগী দিষ্ট্রিক্ট ...মখা লমায় ৩ কলম ৬

গ্যাসকী পাউ লমায় ৩দা


